Hueiyen Lanpao

# ইবোতোন মেমোরিএল একাদেমী ৱাঙ্গোইগী শান্নরোয়শিং তরাম্না ওক্তুনা পুক্নিং থৌগৎখ্রে



**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১১ (ঐচ এন এস):**
পঞ্জাবনা য়ুম্বু ওইদুনা অমৃটসরদা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা জুনিয়র নেশনল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ফোর ডা. বি সী রোই ট্রোফি ২০২৫-২৬তা মণিপুর টিমনা চাওনা মায় পাকপা ঙমখিবগা লোয়ননা টিম অদুদা শরুক য়াখিবা ইবোতোন মেমোরিএল একাদেমী (ইমা) ৱাঙ্গোইগী মহৈরোয় অহুম তরাম্না ওক্তুনা পুক্নিং থৌগৎপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।


ইমানা শীন্দুনা ঙসি ৱাঙ্গোই বজার কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা শান্নরোয় অহুম মুতুম মঙাল, ৱাইখোম রোহিট অমদি মৈনম অলবর্টপু তরাম্না ওক্তুনা পুক্নিং থৌগৎপগী থৌরম অদুদা ইমা একাদেমী ৱাঙ্গোইগী চেয়রমেন দল্লিয়ু জদুমনিনা থৌরম মপু, দল্লিয়ু অমুতোম্বীনা অথোয়বা মীথুংলেন অদুগা দল্লিয়ু সনাজাওবা, টি ঐচ খোমৈ অমসুং টি ঐচ মনাওনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

পঞ্জাবকী অমৃটসরদা লৈবা জি এন দি য়ু স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়ন্সিপ অদুগী ফাইনেল মেটচতা মণিপুরনা ৱেষ্ট বেঙ্গলবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীরল্লগা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি।

ঙসি তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা শান্নরোয়শিংনা ফোঙদোকখিবদা ইমা ফুটবোল একাদেমীগী ওজাশিং অমদি মখোয়বু তাকপী তম্বীরিবা কোচশিংগী মতেংনা ঙসি মখোয়না চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা মায় পাকপা ঙমখিবনি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা মণিপুরনা চাওনা মায় পাকপা ঙমখিবা অসিমক মখোয়গী ওইনদি য়াম্না নুংঙাইবা মীকুপ অমা ওইখি। চেম্পিয়ন্সিপ অসি মায় পাকপা ঙম্লবা হোৎনবদা মায়কৈ কয়াদগী মতেং পাংবীরকখিবা খুদিংমকপুসু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকই। মসিগী মথক্তা ইমা ফুটবোল একাদেমী ৱাঙ্গোই অমদি নুংশিরবা কোচশিং লোয়ননা একাদেমী অসিগী চেয়রমেন ওজা জদুমনি অমদি স্কুল অসিগী প্রিন্সিপাল সগোলসেম অশাবুসু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎপা ফোংঙদোকই। মরমদি মখোয়গী মতেং য়াওদনা ফীভম অসি ঙম্লমদবসু য়াই। মতুং তারকপদসু স্কুল অসিগী ওজাশিংনা হেন্ন-হেন্না মায় পাকপা ঙম্লবগীদমক মতেং পীবিয়ু। মখোয়গী মায়কৈদগীসু স্কুল অসিগী অমদি লমদম অসিগী মীংচৎ পুরকপা ঙম্লবা কন্না হোৎনগনি হায়না শান্নরোয়শিং অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# লুংহর ভিলেজগী ৱুংরৈথে লুংহরনা অনীরকশুবা মিষ্টর উখ্রুলগী টাইটল লৌখ্রে







**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১১ (এজেন্সী):**
ওল মণিপুর বোডি বিল্ডর্স এসোসিএশন (এ এম বি বি এ)গী মীৎয়েং মখাদা বোডি বিল্ডিং এসোসিএশন ওফ উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টনা হেলদি সার্কল ফাউন্দেসনগা খুৎশম্নরগা উখ্রুলগী টাউন হোলদা ঙসি পাঙাথোকখিবা অনীরকশুবা মিষ্টর উখ্রুল বোডি বিল্ডিং এন্দ মোদেল ফিজিক কম্পিটিশন ২০২৫গী টাইটল লুংহর ভিলেজগী ৱুংরৈথে লুংহরনা লৌখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাকখিবা শান্নরোয় ৩০না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা অথোই-অহেন চাংদম্নবগী থৌরম অদুদা সিনিয়র মেন্স বোডি বিল্ডিংগী ওইনা ৱুংরৈথে লুংহরনা অহানবা মফম কন্দুনা অনীরকশুবা ওইন মিষ্টর উখ্রুলগী টাইটল লৌখিবনি।

কাঙলুপ অসিগী ওইনা কাজিফুং ভিলেজগী মিসাপ কপাই, মাইলিয়াং ভিলেজগী অমুং এম কে, চীংজারোই ভিলেজগী আর কসুংমি অদুগা লোংপি ভিলেজগী য়ুরঙাচাননা মথংশিংনা অনীশুবা, অহুমশুবা, মরিশুবা অমদি মঙাশুবা মফম কনবা ঙমখি।

ৱিমেন্স মোদেল ফিজিককী ওইনা সংসক ভিলেজগী লৈসিমি রাইহিং, কাজিফুং ভিলেজগী চীংরি খপাই, পাউরৈ ভিলেজগী ফিলা য়াংয়া, ভিলেজ অসিমক্কী চীংমিলা হোংচুই অদুগা হলাং ভিলেজগী রোনরুন মুইৱোনা মথংশিংনা অহানবা, অনীশুবা, অহুমশুবা, মরিশুবা অমদি মঙাশুবা তাখি।

মেন্স মোদেল ফিজিককী ওইনা রজাই ভিলেজগী পাওতম ভাসুম, পুসিং ভিলেজগী য়ুরসেমঙম কৈস্তান, তাঙ্খ্রৈ ভিলেজগী ঙসিংপম রগুই, সাইরেম ভিলেজগী সেংকি বাংকোং অদুগা লুংসাং ভিলেজগী থোটমথিন কে এনা মথংশিংনা অহানবা, অনীশুবা, অহুমশুবা, মরিশুবা অমসুং মঙাশুবা তাখি।

জুনিয়র মেন্স বোডি বিল্ডিংগীদা রমভা ভিলেজগী ৱোরথান লোলুংলো, সাইলেন ভিলেজগী বানকোম খংচুই, লাংলি ভিলেজগী নাওরৈথেম খপুদাং, রম্ফোই ভিলেজগী কোভিরঙম অদুগা পৌরৈ ভিলেজগী চীংরিয়িন খোরাননা মথংশিংনা অহানবা, অনীশুবা, অহুমশুবা, মরিশুবা অমদি মঙাশুবা তাখি।

# মণিপুর ফুটবোল ক্লব পুনেনা বানেরদা মশাগী একাদেমী হাঙদোকখ্রে



**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১১ (ঐচ এন এস):**
শীংথানিংঙাই ওইবা মওংদা মণিপুর ফুটবোল ক্লব (এম এফ সী) পুনেনা মশাগী ওইবা ফুটবোল একাদেমী অমা ঙরাং বানেরদা লৈবা ফোর্স প্লেয়িং ফিল্ডদা হাঙদোকখ্রে হায়না এম এফ সী পুনেগী ফাউন্দর মেম্বর সঞ্জয় য়ুরেম্বমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

ঙরাং এম এফ সী পুনেগী ফুটবোল একাদেমী হাঙদোকপগী থৌরম অদুদা চহী নৌরিবা নুপামচা অমদি নুপীমচা ফুটবোল শান্নরোয় ২৫ হেন্না শরুক য়াখি। মসিনা একাদেমী অসিদা চহী নৌরিবা শান্নরোয়শিংদা অহেনবা মীৎয়েং থল্লি হায়বদু ময়েক শেংনা উৎপগা লোয়ননা একাদেমী অসিনা গ্রাসরুটতগী হৌরগা শান্নরোয়শিং শেমগৎনবা অহেনবা পান্দম থল্লি।

মণিপুরদগী লাকপা ফুটবোলবু পামজবা মীওইশিংনা পুনশিল্লগা হৌখিবা কুমজা ২০১৫গী ওক্টোবর ৭তা এম এফ সী লিংখৎখিবনি। ঐখোয়গী মরুওইবা পান্দমদি মণিপুরদগী হৌরক্লিবা শান্নরোয়শিংবু মখোঙদগী হৌনা তাকপী তম্বীদুনা মালেমগী থাক্তা অফবা শান্নরোয় কয়া পুথোকপা ঙম্লবা হোৎনবনি।

একাদেমী অসিদা মমিং লৈরবী অর্জুনা অমসুং পদ্মশ্রী এৱার্দি বেমবেম য়াওনা ইন্দিয়ান এক্টর রন্দিপ হুদা, ইন্দিয়া নেশনল টিমগী হান্নগী প্লেয়র গৌরমঙ্গি, বোরিস, চীংলেনসনা অমদি উদান্ত য়াওনা মতেং কয়াসু পাঙলি হায়রি।

# মেদল লৌরকখ্রবা ৱুশু শান্নরোয়শিং তরাম্না ওকখ্রে




**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১১ (ঐচ এন এস):**
থা অসিগী ১দগী হৌদুনা ৬ ফাওবা জোর্জিয়াদা পাঙথোকখিবা বাটুমি, ওপন ইন্টরনেশনল ৱুশু টুর্নামেন্ট ২০২৫দা মেদল লৌরকখ্রবী ৱাঙ্খেং নিংথেম পুখ্রি মপালদগী লুহেনবী মাইবম অমদি নামৈরাকপম মথোইবী অনীবু তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা ঙরাং ৱাঙ্খেং নিংথেম পুখ্রি মপালদা লৈবা মহারাজ গরিবনিৱাজ মেমোরিএল ক্লবকী হোলদা পাঙথোকখ্রে হায়না ক্লব অসিগী চেরোল অমনা হায়রি।

হায়রিবা টুর্নামেন্ট অসিদা লুহেনবীনা সিনিয়র নানগুনদা গোল্ড মেদল অদুগা মথোইবীনা সিনিয়র ননক্কানদা সিলভর মেদল লৌরকখিবনি।

# কবাদ্দি কোচিং কেম্প হৌদোকখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১১ (ঐচ এন এস):**
মণিপুর ষ্টেট কবাদ্দি এসোসিএশন (এম এস কে এ)গী মীৎয়েং মখাদা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট কবাদ্দি এসোসিএশন (কে দি কে এ)না শীন্দুনা ঙরাংদগী হৌরগা ৱাবগাই য়াংবী গ্রাউন্দদা অহানবা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট নন রেসিদেন্সিএল কবাদ্দি কোচিং কেম্প ২০২৫ হৌদোকখ্রে অমদি কেম্প অসি থা অসিগী ৩১দা লোইশিনগনি হায়না মণিপুর ষ্টেট কবাদ্দি এসোসিএশনগী জেনরেল সেক্রেটরি টি ঐচ মোতিলালনা খুৎয়েক পীদুনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।






# মণিপুরনা গোল্ড মেদল ১২ য়াওনা পুন্না মেদল ২৯ ফংদুনা ষ্টেটসিগী মীংচৎ পুরকপা ঙমখ্রে




**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১১ (ঐচ এন এস):**
ন্যু দেল্লিগী টালকাটোরা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা ১৯ লকশুবা ওল ইন্দিয়া ইন্দিপেন্দেন্স কপ করাটে চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫দা মণিপুরগী করাটে টিমনা পুন্না গোল্ড মেদল ১২, সিলভর মেদল ৮ অদুগা ব্রোঞ্জ মেদল ৯ পুন্না মেদল ২৯ ফংদুনা লমদমসিগী মীংচৎ চাওনা পুরকপা ঙমখ্রে।

করাটে ইন্দিয়া ওর্গনাইজেশনগী মীৎয়েং মখাদা ওল ইন্দিয়া সৈকো কাই করাটে ফেদরেশন অমদি ভারত করাটে একাদেমী ইন্দিয়া অনীনা খুৎশম্নরগা থা অসিগী ৭তগী চথরকখিবা চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা মণিপুরগী শান্নরোয় এন জি পোইরৈঙানবা, এন জি লনলৈবা, সিন্থোইবী এন জি, লেরিনা সী ঐচ, আর কে কবির, আর কে অশাকিরন, ঘনশ্যাম কে ঐচ, এরিস টি ঐচ, এল জেক্সন অমদি লক্সিতা কেনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি।

দল্লিয়ু লৈশেম্বা, পোইরৈ কে ঐচ, এ এলেক্স, এল পোইরৈঙানবা, টি ঐচ মালেমঙানবা, লোয়াঙানবী টি ঐচ, টি ঐচ এলেক্স অমদি কে ঐচ পারৈহনবনা সিলভর লৌখি। অদুগা চনচন, তোমথিনঙানবা, টিম ঐচ মোনা, য়োইময়াই এস, এন জি লনচেনবা, সী ঐচ পোলিটিক্স, এল ইনোসেন্টনা ব্রোঞ্জ মেদলশিং লৌবা ঙমখি। মণিপুরগী টিম অদু সুরজিৎ, অমিরখান অমদি নিসিকান্তনা কোচ ওইনা অদুগা বিনে দশ্বরি চনু অমসুং এল জোতিনকুমার অমদি গ্রেদসননা ওফিসিএটিং রেফরি ওইনা শরুক য়াখি।

# দি এস এ ককচিংনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১১ (ঐচ এন এস):**
ফুটবোল ক্লব ককচিং খুনৌগী সেক্রেটরিগী থৌ পুরম্বা খুমুকচম মেঘচন্দ্রনা থা অসিগী ৯দা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএশন ককচিংগী মায়কৈদগী অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

লৈখিদ্রবা খুমুকচম মেঘচন্দ্রনা ককচিং খুনৌ খক্তা নত্তনা ষ্টেট অসিদা ফুটবোল মশান্না চাওখৎনবগীদমক্তা হোৎনরমখিবা কয়াবুসু দি এস এ ককচিংনা শীংথাখি।










## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1561**

**IM R1 Hegde (1961) - Soham Roy (2178)**
**16th KIIT Cat A Open 2025 Bhubaneswar IND, 2025.05.09**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1.d4 Nf6 | 2.c4 g6 | 3.Nf3 Bg7 | 4.Nc3 O-O | 5.g3 d6 |
| 6.Bg2 c5 | 7.d5 e6 | 8.O-O Re8 | 9.Re1 exd5 | 10.cxd5 a6 |
| 11.a4 Nbd7 | 12.Nd2 h6 | 13.h3 g5 | 14.Nc4 Ne5 | 15.Nxe5 Rxe5 |
| 16.e4 Re8 | 17.Kh2 Rb8 | 18.f4 gxf4 | 19.gxf4 b5 | 20.axb5 axb5 |
| 21.Re3 b4 | 22.Nb1 Rb7 | 23.Ra8 Rbe7 | 24.e5 Nd7 | 25.Rg3 Kh8 |
| 26.Qh5 dxe5 | 27.d6 Re6 | 28. ... | | |

**QUESTION : White to win**

**Puzzle 1560 Solution :**

**41. g4+ fxg4 42.Kg3** *Mating net* **g5** *Blocking square g5.*
*42...Qd6+ 43.Qxd6*
*42...Qxe3+ 43.Qxe3*
*42...gxh3 43.Qh4#*
**43. Qf7+**
*43.Qe8+ Qg6 44.hxg4# David and Goliath mate*
**43. ...Qg6 44.hxg4#** *David and Goliath mate*
**1-0**

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com